# এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট : কে এস দি ও মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (ঐচএনএস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ৯লক শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি কে এস দি ও ক্যামগৈ অমসুং এন সী এ নিংথৌখোংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে এস দি ও ক্যামগৈনা ৱিকেট ৫দা এন সী এ নিংথৌখোং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এন সী এনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা এন সী এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখিবা রোশন কোন্থৌজম অমসুং মোইরাংথেম কর্ম্মচান্দ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা দক চারগা ফিল্ডদগী মপান থোকখি। মখোয় অনীগী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেনশিংগী মনুংদা বোবি য়ুম্নামনা বোল ১১০ মায়োক্লবদা রন ৫০ অদুগা আর কে রোজিসননা বোল ৪৯ মায়োক্লবদা রন ২৯ অদুগা সিনোজ খ্বাইরাকপমনা বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমদবদগী ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৭ লৌখি।

অমরোমদা, কে এস দি ওনা টার্গেট রন ১৪৮ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩৩.১ শুরকপদা কে এস দি ওগী ৱিকেট ৫খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৫০ লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু কে এস দি ও ক্যামগৈনা ৱিকেট ৫দা এন সী এ নিংথৌখোং মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

# ইন্টর কোলেজ বেষ্ট ফিজিক কম্পিটিশন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (ঐচএনএস):** দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা অমদি ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)না কন্দক্ট তৌদুনা এন সুরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেষ্ট ফিজিক (মেল) কম্পিটিসন ২০২৪-২৫ থা অসিগী ৬তা কোংবদা লৈবা কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এ এম বি বি এগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিটুটশিংদা তম্লিবা নুপামচা বোদি বিল্ডরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজদগী শান্নরোয়শিংনা খঙবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।







# কে এম ৱাই সীনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (ঐচএনএস):** ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিনি বোইজ (অন্দর-১৩) টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে এম ৱাই সীনা সী কে সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা কে এম ৱাই সীগী রেবুল হুসেননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ১৯শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় অজানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এম ৱাই সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।


২শুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩২শুবা মিনটতা সী কে সীগী কে কেনরিকনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ৪৫শুবা মিনটতা কে এম ৱাই সীগী শান্নরোয় সারুলনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু কে এম ৱাই সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটলনা সী কে সীগী অসাদুলনা লৌখ্রে।

# এম সী পি এনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২ (ঐচএনএস):** মণিপুর সাইকল পোলো এসোসিএশন (এম সী পি এ)গী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা কোন্থা অহল্লুপ্তুগী এ খেলেন্দ্রো মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএশন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খেলেন্দ্রো লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা এসোসিএশনগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখি অমদি লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনীজখি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1324**

**V. Grabinsky (2286) - D. Morawietz (2425)**
**Czech Open GMA Pardubice CZE (6), 2007.07.25**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.e3 b6 |
| 5.Nge2 Ba6 | 6.a3 Be7 | 7.Nf4 d5 | 8.Qa4+ c6 |
| 9.b4 Bxc4 | 10.Bxc4 dxc4 | 11.b5 O-O | 12.bxc6 Qd6 |
| 13.Qxc4 Nxc6 | 14.O-O Rac8 | 15.Nfe2 e5 | 16.Nb5 Qb8 |
| 17.Qa4 Na5 | 18.Rb1 a6 | 19.Nbc3 Rc4 | 20.Qd1 Qc7 |
| 21.dxe5 Rd8 | 22.Qe1 Qxe5 | 23.Rxb6 Ng4 | 24.f4 Qc5 |
| 25.Rxa6 Nb3 | 26.Qg3 Rxc3 | 27.Nxc3 Qxc3 | 28.Qxg4 Nxc1 |
| 29.Qf3 g6 | 30.f5 g5 | 31.f6 Bf8 | 32.h4 Qc4 |
| 33.Ra5 Ne2+ | 34.Kf2 Rd2 | 35.Rxg5+ Kh8 | 36.Qa8 Qxh4+ |
| 37.Kf3… | | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1323 Solution :**

**16. …Qxh2+** The black queen decoys White's king. **17.Kxh2 hxg3+** Double check **18.Kg1 Rh1#** Opera mate
**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com